ꯍꯨꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO
হুইয়েন লানপাউ
Refreshingly Reliable
The messenger of the masses

কংলা লানপুং চেফোংগী এডিটর ওইরম্বা আর কে সনাতোম্বগী মিংদা পীবা জর্নেলিষ্ট এৱার্দ ২০২০ টোম টি ভিগী দিপ্যুতি এডিটর নবকুমার খাগোকপমদা খুৎশিন্নখিবা

লামায় ৬

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সনা কুমজা ২০১৯গী এন্যুল রেঙ্কিং লাউথোকপদা মণিপুরগী ওইনা বেষ্ট পুলিস ষ্টেসন তাখ্রবা সিটি পুলিসগী ও সীনা মিনিষ্ট্রিনা পীরকখিবা সার্টিফিকেট দি জি পিনা খুৎশিন্নখিবা

লামায় ৫

লাইওন্স ক্লব ওফ থৌবাল গ্রেটর সেঞ্চুরিয়নগী প্রসিদেন্ট ৱাই ইন্দিরানা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা খনগৎলবা ফি তুবী অমদা ফি তুনবা মেছিন খুৎশিন্নখিবা

লামায় ৩

দিরেক্টোরেট ওফ ইনর্ফোমেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স ইমপ্লোয়ি এসোসিএসননা দিরেক্টোরেট অসিদা মথৌ পাঙথোক্লম্বদগী ঙসি থবক্তগী পোথাখ্রবা মীওইশিংবু ফেয়রৱেল পীখিবগী থৌরম

লামায় ৬

Vol. 44, Issue No.096 য়ুমশকৈশা, ইঙেনগী ১১নি পানবা অপূনবা লামায় মশীং ৮ HUEIYEN LANPAO, Wednesday, July 01, 2020, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

সেন্টরগী লুচিংবশিং উনরুনবা সী এম দিল্লি পাংখ্রে

সী এম বিরেনগী দিল্লি খোঙচৎতা মমাকনুপা কোংগ্রেস এম এল এ আর কে ইমোসু লোয়নখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস) : এন পি পিগী মীহুৎশিংদা পীগদবা পোর্টফোলিও য়াওনা লৈঙাক মনুংদা হৌজিক লৈরিবা ঈরাং কয়াসিগী মতাংদা তংদু-লৈতাবা ৱারোইশিন অমা পুরক্কবগীদমক সেন্টরগী লুচিংবশিং উনরুনবা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন ঙসি দিল্লি পাংখ্রে। সী এম বিরেনগী দিল্লি খোঙচৎ অসিদা মমাকনুপা কোংগ্রেস এম এল এ আর কে ইমোসু লোয়নখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ২ রোম তাবদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী অখন্নবা চার্টর ফ্লাইট অমদা দিল্লিগীদমক চৎখিবনি। সী এম বিরেনগী খোঙচৎ অসিদা মহাক্কী মমাকনুপা কোংগ্রেসকী এম এল এ আর কে ইমো, সী এমগী পি আর ও, পি এস ওসু শরুক য়াখি। চীফ সেক্রেটরী ডা. জে সুরেস বাবুসু খোঙচৎ অসিদা শরুক য়াননবা থৌরাং তৌরম্লবসু য়াওখিদ্রে। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা দিল্লিদা য়ৌরবা মতুং বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নাদ্দা অমদি য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ উনদুনা মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা পোলিটিকেলগী ফিভমশিং অমসুং এন পি পিগী এম এল এ ৪দা করম করম্বা পোটফোলিওশিং পীগদগে হায়বগী মতাংদা পাউতাকশিং লৌবগা লোয়ননা থবক ওইনা পাঙথোক্কবা হোৎনগদৌরি। লৈঙাক অসিদা শৌগৎপা তোক্কুরবা এন পি পিগী এম এল এ ৪গা বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট অমদি য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগা উনদুনা ৱারী শানবা মতমদা য়ানখিবা ৱাফমশিং অদু চপ চানা খঙমিন্নবগা লোয়ননা মখা তাবা করি খোঙথাং লৌখৎপা য়াবগে হায়বদু তান্নগদৌরি।

বি জে পিগী এম এল এ খরনা এন পি পিগী এম এল এ ৪দা মিনিষ্টর পীহন্নিংদবগী লাক্লিবা ৱাফমসু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা সেন্টরগী লুচিংবশিংদা খঙহনগদৌরি। লৈঙাক শেন্দ্বা থৌদাং লৌদুনা মতম শাংনা ৱারক্লবা এম এল এশিংবু করিসু থৌশাদ্রগা লৈঙাক শৌগৎপা তোক্লুরবা এম এল এশিংদা খুদোংচাবশিং পুন্না পীবা য়ারোই হায়বা বি জে পিগী এম এল এশিংগী চীফ মিনিষ্টরনা সেন্টরগী লুচিংবশিংদা ময়েক শেংনা পাউদমগদৌরি। তুং কোয়না লৈঙাক অসিদা ঈরাং লৈরোইদবা মওংদা ৱারোইশিন অমা হন্দক্কী তাঙ্কক অসিদা পুরকহৌবগী তঙাইফদবা লৈবনা চীফ মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অসি য়াম্না মরুওইবা খোঙচৎ অমা ওইগদৌরি। হন্দক্কী খোঙচৎ অসিদা সেন্টরগী লুচিংবশিংনা থল্লক্কদৌরিবা ৱাফমশিং অসিদা করিগুম্বা বি জে পিগী এম এল এশিংনা থমখিবা ৱাফমগা তায়ওন্নবা ফীভম লাকপা তারবদি মখা তানা ঈরাং লৈখিগদৌরি। লৈঙাক মনুংদা ঈরাং শাংথনা লৈবা হায়বসি হৌজিক লৈরিবা ফীভমসিদা অরুবা লৈবনা শাংথদনবা হোৎনবগী সোল্যুসন অমা মথৌ তারি। এসেমল্লীগী নোংজু মীফমসু নকশিল্লকপনা লৈঙাক অসিগী ঈরাং থুনা লোইশিন্দুনা এদমিনিষ্ট্রেসনদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙহৌবগী মরুওইবা কয়াসু লাক্লি। করিগুম্বা ঈরাং অসিনা মখা শাংথনা লৈবা তারবদি এসেমল্লী মীফমদা

...মখা লামায় ৩ কলম ১

লোকদাউন : জুলাই ১৫ ফাওবা চৎনগদবা কাংলোন লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯গী কেস মশিং য়ামখৎলকপা মরম্না জুলাই ১৫ ফাওবা ষ্টেট অসিগী কন্টেনমেন্ট জোন পুম্নমক্তা লোকদাউন অমসুং কার্ফিয়ু মপুং ফানা চখিগনি হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টনা লাউথোকখ্রে।

ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগী চেয়রপার্সনসু ওইরিবা চীফ সেক্রেটরী ডা. জে সুরেস বাবুনা থোকখিবা ওর্দর অমনা হায়, ষ্টেট অসিগী মফম পুম্নমক্তা জুলাই ১৫ ফাওবা নুমিদাংৱাইরম পুং ৬তগী অয়ুক পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু লৈখিগনি। কন্টেনমেন্ট জোনশিংদদি লোকদাউন তৌবগা লোয়ননা কার্ফিয়ুগী অথিংবসু লৈখিগনি। জুলাই ১দগী হৌরগা জুলাই ১৫ ফাওবা মখা তানা অথিংবা থমখিগদবা থবক থৌরমশিংদি ইন্টর ষ্টেট বস সার্ভিস; ওটো রিক্সো অমদি টেক্সি; স্কুল, কোলেজ অমদি কোচিং ইন্সটিট্যুটশিং; হেল্থ ৱার্কর/পুলিস পর্সনেল/টুরিষ্ট য়াওনা পন্দুনা লৈরিবা মীওইশিং থম্বা নত্তনা হোটেল, রেষ্টুরেন্ট অমদি হোস্পিটালিটি সার্ভিস পুম্নমক; সিনেমা হোল, সোপিং মোল, জিমনাজিয়ম, স্বিমিং পুল, এন্টর্টেনমেন্ট পার্ক, থিএটর, ওদিটোরিয়ম, এসেম্বলী হোল অমদি মান্নবা মখলগী মফমশিং; লাইনিং-লাইশোন/পোলিটিকেল/শান্ন-খোৎনবা/সোসল গেদরিংনচিংবা মী পুনবা থৌরমশিং; সেলুন অমদি স্পাশিং; ইমা কৈথেল অহুম অমসুং ঙারি গলিগী দুকানশিংনি।

অথিংবা লৈরোইদবা থবক থৌরমশিংদি ইসেন্সিএল সার্ভিসশিং; হোস্পিটাল, নর্সিং হোম, ক্লিনিক অমদি দিস্পেন্সরি; জন ঔসধি কেন্দ্র অমদি মেদিকেল ইক্বিপমেন্ট সোপ য়াওনা হীদাক-লাংথক য়োনবা দুকানশিং; মেদিকেল লেবোরেটরি অমদি কলেক্সন সেন্টরশিং; ভেটেরিনরি হোস্পিটাল, দিস্পেন্সরি ক্লিনিক অমদি মরী লৈনবা পেথোলোজিকেল লেবোরেটরিশিং; চিলদ্রেন/দিসএবল/মেন্টেল্লি চেলেঞ্জ/

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

কানিগা কোন্ননা ফাখিবা লালথাং লৌভুম চহী ১৫গী ফাদোক পীখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস) : চহী ৬ লোমগী মমাঙদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী নার্কোটিক সেলগী সব ইন্সপেক্টর এন শুরেসনা লুচিংবা টিম অমনা কানি কিলোগ্রাম ৩গা কোন্ননা ফাবগী কেসতা থাসিগী ২৫দা কনভিক্সন পীখ্রবা লালথাং লৌভুম স্পেসল কোর্ট (এন দি এন্দ পি এস), মণিপুর (লম্ফেলপাৎ)না চহী ১৫গী ফাদোক পীখিবগা লোয়ননা থা ৬কী মনুংদা লুপা লাখ অমগী শেনফম ফাইন ওইনা থিনবসু খঙহনখ্রে।

ঙসি স্পেসল জজ অরিবম নৌতুনেশ্বরীগী কোর্ট অসিদা কনভিক্ট অসিগী সেন্টেন্স হিয়রিং পাঙথোক্লবা মতুংদা ওপন কোর্টতা লাউথোকখিবা ওর্দর ওফ সেন্টেন্সতা মহাকপু নার্কোটিক দ্রগস এন্দ সাইক্রোট্রোপিক সবষ্টেন্সেস (এনদি এন্দ পি এস) এক্টকী সেক্সন ১৮ (বি)গী মখাদা চহী ১৫গী ফাদোক পীখিবগা লোয়ননা ফাইনগী শেনফম অসিসু পীননবা খঙহনখিবনি।

ফাদোক পীরবা লালথাং লৌভুম মশাগী চহী ৪৮ রোম শুরে। গমনোম সপরমৈনা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মোটবুং কৈথেলদগী লৈখিদ্রবা থাংখোলুন লৌভুমগী মচানুপানি।

মখা লামায় ৩ কলম ৩

এন পি পিগী মিনিষ্টর পুম্নমক পোর্টফোলিও য়াওদবা মিনিষ্টর ওইনা লাউথোক্কদবনি : ইবোমচা

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস) : এন পি পিগী মিনিষ্টর ৪মক পোর্টফোলিও য়াওদবা মিনিষ্টর ওইনা লাউথোক্কদবনি হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী লো সেক্রেটরিসু ওইরম্বা হান্নগী এম এল এ, এল ইবোমচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

জুন ১৭তা এন পি পিগী মিনিষ্টর ৪মক্না ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিনখ্রবসু গভর্ণরনা অয়াবা পীখিদবা মরম্না হৌজিকসু মিনিষ্টর ওইরি হায়না লৌফম থোকই। মখোয়না হান্না পায়রম্বা পোর্টফোলিওশিং অদুম্মক পায়রি হায়নসু লৌফম থোকই। হায়রিবা মিনিষ্টরশিং অসিনা পায়বা দিপার্টমেন্টকা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা চীফ মিনিষ্টর য়াওনা অতোপ্পা মিনিষ্টর অমত্তনা খুৎ থিংজিন্দুনা থৌদাং লৌফম থোক্তে। রুলগী মতুংইন্না অতোপ্পা মিনিষ্টরশিংদা পোর্টফোলিওশিং অসি ওফিসল ওইনা পায়হনখিবা লৈত্রি। অদুবু হৌজিক হৌজিক ফম থাদোক্লুরবা মিনিষ্টরশিং মখা তানা লৈঙাক শৌগৎতুনা মিনিষ্টর ওইরগনি হায়রবনিনা মতম খরা মখোয়না ফম থাদোক্লিঙৈগী তানফম অদুদা মিনিষ্টর ৱিদাউট পোর্টফোলিও হায়না লাউথোকপা মথৌ তাই হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

এক্সিদেন্টতা মচানুপা শিরে, মমা-মপা য়াওনা ৬ শোক্লে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস) : ন্যু কৈথেলমানবী পুলিস ষ্টেসননা কোনবা লৈমরাম মনিংগী ৱারোইহীচাংদা ঈশিং চাইবী য়েংবা লাকপা মারুটি কার (এম এন ০১ এ কে/৬৮৪১) অমা এক্সিদেন্ট থোকপদা চহী ৬কী নুপামচা অমা শিরে। মীওই ৬না শোক্লুনা ইম্ফালগী রাজ মেদিসিটিদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে।

থৌদোক অসি ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তাবা মতমদা থোকখিবনি। মখা লামায় ৩ কলম ২

সী এমনা নেসনল ডোক্তর্স দেগী পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস) : ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা চহী খুদিংগী জুলাই ১দা পাঙথোক্লিবা নেসনল ডোক্তর্স দেগা মরী লৈননা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ডোক্তরশিংনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

চীফ মিনিষ্টরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, নুমিৎ অসিনা লাকপদা মীওইবগী থৱায় কনবগী থৌদাং লৌরিবা দোক্তরশিংবু

...মখা লামায় ৩ কলম ২

রিমসপু ঈকায় খুম্নখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবা হোৎনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌরিবা রিজনল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) পু ঙসি ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন (আই এম এ), মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা রিমসতা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা আই এম এ, মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট, সেক্রেটরি অমসুং অতৈ ওফিসলশিংনা রিমসকী দিরেক্টর প্রোফেসর এ শান্তদা সার্টিফিকেট খুৎশিন্নখি।

‘মহৈরোয়শিং লাইরিক তম্বা ফংহন্নবা অমত্তা ওইনা খন্নমিন্নসি’

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস) : লমদমসিদা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মহৈরোয়শিং লাইরিক তম্বা ফংদনা লৈরিবসিগী মতাংদা সোল্যুসন পুরক্কবা ঐখোয় পুম্নমক্না অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নসি হায়না এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

দিরেক্টোরেট ওফ এদ্যুকেসন (এস) অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুনিভর্সিটি এন্দ হায়র এদ্যুকেসনগা খুৎশম্নরগা শীন্দুনা ঙসি সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোকখিবা এদ্যুকেসনগী জোইন্ট কন্সল্টেটিভ মীটিং হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা হায়খি, মালেমগী ওইনা কোরোনাভাইরসনা মরম ওইরগা এদ্যুকেসনগী লমদা অচৌবা চৈথেং অমা লৈরি। চাউখৎলবা লৈবাক কয়াদসু লাইরিক-লাইশু

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

লৌমীশিংনা য়ুরিয়া লৌনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্নরি : নোংমাইথেম গোবিন

গ্যানন্দ নাওরেম

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস) : কুমগী নোংজুদা তাংদুনা লৌউ-শিংউ তৌরিবা লমদমসিগী লৌমীশিংনা লৌ পান্ননবা হোৎনবদা চহী খুদিংমক্কী অৱাবা অমা নত্তগা অমদি মায়োক্ননদুনা লাক্লি। চহী অসিগী ওইনসু খারিফ লৌরোক্কী অহানবা লৌরোক লোকপা হৌনবসু য়াওরে। লৌরোক অমুক্তং লোক্কদবা লৌমীশিংসু কুমগী নোং লাকপা হৌরবনিনা লৌবুক্তা কুম্নদুনা লৌহোন হুনবা, লৌ লিংথোকপা, পামফেল হুনবা তৌনদুনা লৌ পানবসু হৌনরে। লাইবক থিরিবদি লৌমীশিংনা লৌউ-শিংউ তৌবা য়ানবা মরু ওইরিবা হার অমা ওইনা শীজিন্নরিবা য়ুরিয়া ফংদবগী অৱাবা মায়োক্নবা হৌরে হায়রি।

লৌমীশিংনা য়ুরিয়া ফংননবা হোৎনবদা অৱাবা মায়োক্নরে হায়বা পাউ অমা ফংবদগী হৌজিক মণিপুর লৈঙাক্কী এগ্রিকলচর লোইশঙগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিস থৌবালগী য়ুরিয়া হার য়েনফমদা চৎতুনা য়েংশিল্লুবদা অঙকপা ফিভম অমদা লৈরম্বা থেংনরকখি। লৌমীশিংনা য়ুরিয়া হার ফংহৌননবা হোৎনবদা ঙসি ঙসিমক মালেমগী ওইনা মীপায়নিংঙাই ওইরিবা খোঙজেল য়াংনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ থিংননবা লৈঙাক্লা লাউথোকখিবা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিদ্যুর (এস ও পি) অমদি সোসল দিষ্টেন্সিংগী ৱাফম লোইনা কাউনখিবগী মতৌ উখি। কনাগুম্বশিংনা ফেস মাস্ক উপ্পুবা কয়াসু য়াওহৌবা থেংনরকখি।

মফম অদুদা য়ুরিয়া লৌবা লাক্লমখিবা ককচিংদগী নোংমাইথেম গোবিন কৌবা লৌমী অমনা পাউচে অসিগী পাউমীদা হায়খি, মণিপুর তম্পাক্কী লৌফম অয়াম্বা হৌজিক

...মখা লামায় ৩ কলম ৩

প্রধান মন্ত্রি গরিব কল্যান যোজনা নবেম্বর ফাওবা শাংদোক্লগনি : নরেন্দ্র মোদি

ন্যু দিল্লি, জুন ৩০ (এজেন্সী) : শীংথানিংঙাই ওইবা থৌরাং অমা ওইনা প্রধান মন্ত্রি গরিব কল্যান যোজনা নবেম্বর ফাওবা মতম শাংদোক্লগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লাউথোকখ্রে। স্কিম অসিগী মখাদা মীওই ক্রোর ৮০ রোম হেনবনা থা খুদিংগী চেঙ নত্রগা গেহু কে জি ৫/৫ ফংলি।

লৈবাক মীয়ামদা পীখিবা ৱারোল অমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি, নবেম্বর ফাওবা লৈবাক অসিগী য়ুমথোং খুদিংমক্তা চানা কে জি অমমম ফংহল্লগনি। থৌরাং অসি লৌখৎলকপদা চংগদবা শেনফম চাওরাক্লা লুপা ক্রোর ৯০,০০০ রোমনি। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোরকখ্রবা মতুংদা তরুকলক শুবা ওইনা লৈবাক মীয়ামদা মিনিট ১৬ রোম ৱা ঙাংখিবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, প্রধান মন্ত্রি গরিব কল্যান

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

কেস ১২৩৪ শুখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস) : মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ৭ হেনগৎলক্তুনা অপুনবা কেস মশিং ১২৩৪ শুখ্রে।

কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমদগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী এদিস্নেল দিরেক্টর অমসুং স্পোক্সপার্সন ডা. খোইরোম সশীকুমার মঙাংনা ঙসি নুমিদাং পুং ৭ ফাওবগী রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা জেনিমসকী ভি আর দি এলদা সেম্পল ৬৬০ টেষ্ট তৌবদা নুপা ৫ অমসুং নুপী ২ পুন্না মীওই ৭ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনরে। মীওইশিং অসি বিষ্ণুপুরদগী ১, কাংপোকপীদগী ১,

...মখা লামায় ৩ কলম ৩

মেজর জেনরেল অলোকনরেসনা আই জি এ আর (সাউথ)কী থৌ পুখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস) : মেজর জেনরেল অলোকনরেসনা ইন্সপেক্টর জেনরেল অসাম রাইফলস (সাউথ)কী ওইনা থৌ পুখ্রে।

ফম অসিবু পায়রম্বা মেজর জেনরেল কে পি সিংহনা মতম লোইদুনা পোষ্টিং চৎখিবদগী অলোকনরেসনা থৌ পুখিবনি। কাউন্টর ইন্সর্জেন্সি ওপরেসনদা নীংথিনা খঙ-হৈরবা ওফিসার অসি কাশ্মির তম্পাক্তা ব্রিগেদ অমা কম্মান্দ তৌদুনা লৈরুরবা মীশক্লি। অনৌবা ইন্সপেক্টর জেনরেলনা মণিপুরগী মীয়ামদা সিক্যুরিটি ফোর্সেস অসিবু মখা তানা নুংশিবিনবা অমসুং শৌগৎপীনবা অপিল তৌরদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লমদম অসিগী মীয়াম্না নুংঙাইবা পুন্সি মহিং অমদা হিংবা ঙমহন্নবা হোৎনবদা অঙম্বা থৌদাং লৌগনি।

নেসনল ডোক্তর্সদে : কোভিদ-১৯গী লান্থেংদা ডোক্তরশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংদসু মীৎয়েং চঙবিয়ু ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ শন্দোরকপদা মীওইবগী থৱায় কন্নবা ফ্রন্ট লাইনদা লেপ্পুনা মরুওইবা থৌদাং লৌরিবা হেল্থ ৱর্করশিংবু মায়কৈ কয়াদগী থাগৎপা ফোঙদোক্লরক্লি। ডোক্তর লাইনি হায়নরম্বা ৱাফম হন্দক্কী কোভিদ-১৯গী মতাংদা চপচানা খঙবা ঙল্লে হায়বা ফাওবা মীয়াম্না ফোঙদোক্লরকখ্রবসু ডোক্তরশিংনা ঙসি-ঙসিমক অচৌবা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নদবসু নত্তে। ইম্ফালদগী লাপ্পা লৈবা মফমশিংদা থবক তৌরিবা দোক্তরশিংনা মথৌ তারিবা তঙাইফদবা পোৎলমশিং ৱাৎপগী খুদোংচাদবা মায়োক্লুরি। নেসনল ডোক্তর্স দেগা ইরোইননা কোভিদ-১৯ লান্থেংনরিবা হেল্থ ৱর্করশিংবু পুক্লিং থৌগৎনবা পাউচে অসিনা ৱারী শারুবা মতমদা হেল্থ ৱর্করশিংনা থেংনরিবা প্রোব্লেম কয়া পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা পোষ্টিং তাবা ডোক্তর অমনা ফোঙদোরকখিবদা অৱাৎ-অপা কয়া লৈরগসু অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী পোৎচৈ কয়া পুশিল্লক্লিবা ট্রক ড্রাইভরশিং স্ক্রিনিং তৌনবা হোৎনবা অমদি ক্বারনন্টিন সেন্টরশিং য়েংশিনবনচিংবা থবকশিং য়াম্না কন্না হোৎনরি। অদুবু লৈঙাক্লা থাগী তোলোপ চাং নাইনা পীবিদবা, নন প্রক্টিসিং এলাৱেন্সকী চয়েৎনবা অমদি হেল্থ ৱর্করশিংবু তোঙান্না পেদ ক্বারন্টিন তৌজনবা হায়রকপা অসিদা নুংঙাইতবা ফাওই। জিরিবামদা লৈরিবা হোস্পিটালবু সব দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা অপগ্রেদ তৌরে হায়না লাউথোকপিখ্রসু লৈফম থোকপা ডোক্তর, ষ্টাফ নর্স, টেক্নিসিয়ন, মেদিকেল ইক্যুপমেন্ট, পিওন, স্বিপর অমদি ফি শুনবা মীওইনচিংবা

...মখা লামায় ৩ কলম ২

পেন্দবা অমদি অৱাৎ-অপা পূম্নমক তানবা য়াবা ঙাক্তনি : ডা. সশীকুমার

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা অনা লাইয়েংলিবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিং অমদি কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টরশিংদা হেল্থ ৱর্করশিং ৱাৎলি হায়বগী কমপ্লেন্ট কয়া লাক্লিবা অসিদা হৌজিক্কী ওইনা হেল্থ ৱর্কর ৱাৎলে হায়না হেক্তা হাপচিনবা য়ারোই। মরমদি হেল্থ ৱর্করশিং অদুবু মতিক চানা ট্রেনিং পীবগী মথৌ তাই। পেন্দবা অমদি অৱাৎ-অপা পূম্নমক হায়না-তান্নরগা ৱারী শাবা য়াবা ঙাক্তনি হায়না হেল্থ দিপার্টমেন্টকী এদিসনেল দিরেক্টর অমদি স্পোক্স পর্সন ডা. খোইরোম সশিকুমারনা ফোঙদোরকখ্রে।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, থা খরগী মমাংদগী ইখঙ খঙহৌদনা লায়না অসি শন্দোরকপা মরমনা খুদোংচাদবা

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরীনা ঙরাং থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দম অমগী মতুং ইন্না কোভিদ-১৯গী পেসেন্টশিং লায়েংবদা শরুক য়ারুবা দোক্তর য়াওনা হেল্থ ক্যের ৱার্কর খুদিংমক দ্যুতি লোইরবা মতুংদা পেদ ক্বারন্টিন সেন্টরশিংনা মশা মশানা শেল পুথোক্তুনা ক্বারন্টিন তৌরগা লৈবা য়াগনি হায়খিবা ৱাফমবু তোঙান-তোঙানব ডোক্তরশিংগী এসোসিএসননা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

তোঙান-তোঙানবা কোভিদ

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

ꯆꯤꯂꯤ ꯂꯣꯟꯆ ꯇꯧꯔꯦ
CHILLI LAUNCHES
~~MRP Rs. 8999/-~~
Discount Rate Rs. 6500/-
“KILLER 100” BLUE RAY MULTIPURPOSE DISINFECTION MACHINE
Warranty 6 Months
- য়ুম, মোল, ওফিস, কারনচিংবা কয়াদা সেনিটাইজ তৌবদা শীজিন্নবা য়াই।
- মিনট অমদা ২২ স্প্রেয়িং কেপাসিটি লৈ।
"FIVE LITRE SANITIZER WORTH RS 2500 FREE" !!!
AUTHORIZED DISTRIBUTOR: RIDHI SIDHI ASSOCIATES, THANGAL BAZAR, NEAR AXIS BANK, IMPHAL,MANIPUR,795001 CONTACT: 7892145418, 7005112705
HL-B/6210/1-5

HL Poll

Q: Tik Tok yaona China ga mari leinaba mobile application 59 thingle hairibasi achumba khongthangni khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Leingakna COVID-19 gi laichat lakshinnaba lockdown gi matam numit 15ni shangdoraklibasi achumba khongthangni khanbra?

Yes 50% No 50%

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৬.৩১ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৯.৬৬ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৩.৫৮ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৪.২৯
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৮

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অস! লোইরেহে!

- ময়াম হন্দক মরক লৈবাকসিদা করি অওনবা উবীবগে?
- ꯃꯌꯥꯝ ꯍꯟꯗꯛ ꯃꯔꯛ ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤꯗꯥ ꯀꯔꯤ ꯑꯣꯟꯕꯥ ꯎꯕꯤꯕꯒꯦ?



- থাও মমলদি ফজনা ওল্লে সারবু...!
- ꯊꯥꯎ ꯃꯃꯜꯗꯤ ꯐꯖꯅꯥ ꯑꯣꯜꯂꯦ ꯁꯥꯔꯕꯨ...!

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫